**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**

**ডে (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথ্নরকপা ইন্দিয়ান হিমালায়ান রিজন ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীফম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা লোইশিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা  শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লানা হায়-রাজ্য অসিগী ওইনা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মহৌশাগী খল ঙাক শেন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মালেমগী ওইনা অইং-অশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাকপনা মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা কয়া পীরি। মসি কন্ননবা ঐখোয় পুন্না অঙন্বা থৌদাং লৌমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ। মহাকা হায়-মালেমগী ওইনা অইং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমদি ওইরি। অইং আশাগী খল কায়থরকপা অসিনা ভারতকী হিমালয়নগী শরুক্তা লৈরিবা লমদমশিংদসু অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। হিমালয়ন অসি মরুওইবা তুরেল কয়াগী হৌরকফম ওইরিবনি। মহৌশাগী খলদা অকায়বা লাকপা অসিনা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বীদসু অপনবা ওইরি।থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সপাল সেক্রেটরি অরুনকুমার সিনহা শরুক য়াখি। রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা লাইরিক কয়া ফোংখি অমসুং ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট দেটা সেন্টরসু হাংদোকখি।

**খবর (এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমদি এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) না ঙসি অখন্নবা মীফম অমা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি হায়রি। মীফম অসিদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি অমজ্ অমসুং ই.জি.এমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**পেট্রোল (এল)ঃ** রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দাইরেক্তোরেটনা হায়রি-লন্মী মপানদা অমসুং লৈকাইনচিংবদা বোটল অমসুং প্রতাশিংদা হাপ্লগা পেট্রোল য়োল্লিবা অসি আইননা য়াদে। মখোয়গী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ ব্লেক মার্কেটিং এন্দ দা মেন্টিনেন্স ওফ সপ্লাইস ওফ ইসেন্সিয়েল কমোদিটিজ এক্ট ১৯৮০, পেট্রোল্লিয়ম এক্ট ১৯৩৪ নচিংবগী মখাদা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপা য়াই।

সি.এ.এফ. এন্দ পি.দিগী দিরেক্তর-কে. বোনো সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অসিগুম্সা আইন কায়বা থবকশিং অসি থিংনবা জিলা খুদিংমক্কী এস.পিশিংদা হান্ননা খঙহনখ্রে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-খুয়াথোংদা লৈবা পি.সি.টি.সি. অমসুং নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা বাক্লিৱাল ইন্টরপ্রাইজ ওইল পম্প নোংম-কান-কন্ননা পুং ২৪ হাংনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদ (আই.ও.সি.এল) ইম্ফালদা হায়জখ্রে।

**হেল্প লাইন(এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা লৈরিবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ অমসুং চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর-১০৯৮ অসি য়াখিদ্রে।

মরম অদুনা মীয়ামনা অনৌবা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-৭০০-৫৭৭-৬১৪৪ অদুগা চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর-৮১১-৯৯১৮-২৫৭ তা ফোন তৌবীরকবা সোসিএল ৱেলফিয়ার দাইরেক্তর-অনা অরান্থমনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। টেকিকেলগী এক্সপার্টশিং তান্নদুনা হান্নগী হেল্প লাইন নম্বরশিং অসি অথুবা মতমদা শেমজিন্নবা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**এমএলএ (এল)ঃ** মনিপুরগী বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা দিল্লিদা চৎলুবা অদু রাস্ত্রপতি সাসন থমখ্রবা মতুং হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অমদি শান্তি

পুরকবা অথুবদা থবক লৌখৎনবা কেন্দ্রদা তকশিল্লুবনি হায়না দল অসিগী ৱাঙাংলোই-কে.ঐচ. ইবোমচানা হায়রি।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোমচানা হায়-রাজ্য সরকারনা ইরাং লাকশিনবা ঙমদবগী ফিভম লৈরকপদগী শান্তি পুরকবগীদমক্তা সংবিধানগী আর্টিকল ৩৫৬ কী মখাদা রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থমখিবনি। হৌজিক লৈরিবা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম অসি য়েংলগা রাজ্য অসিদা মীয়ামনা পাম্বা সরকার অমা শেম্বা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বসি কেন্দ্র সরকারনা লেপকদবনি।

ঙসি মনিপুরগী মীয়ামা মায়োকরিবা খুদোংথিবা অৱাবশিং অসি আইনগী মখাদা কেন্দ্র সরকারদা খঙহন্দুনা ঐখোয়না পাল্লিবা তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহনবদা ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাং লৈ। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুং দারিবা লমদম অসিদা কনাগুম্বা অমদা নুংঙাইরোইদবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লোইদবনি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মখাদা, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিং অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিনদুনা ইলিগেল এদোপসন অমসুং চাইল্ড ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী কৈরক মমাং লৈকাই, আই.ৱাই.সি. ক্লব কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অঙ্গনৱাদি ৱাকর, আশা ৱাকরশিং অমদি কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টতা লৈবা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনশিংগী ওইবা নোংমগী প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈশিংনা হায়-অঙাং অমা মতৌ করমা করম্বা মওংদা এদোপ তৌগনি, করম্বা অঙাংবু পীথোকপা য়াবগে, ইলিগেল চাইল্ড এদোপসননা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা অঙাংশিংদা পীরক্লিবা ৱাখলগী চৈথেং অমদি ক্রাইম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরম

অদুদা কৈরক জি.পিগী প্রধান-এলাংবম শান্তি লৈমানা থৌরম মপু ওইখি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার-গাজ্ রাজকুমারীসু শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিনদুনা আশাশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী কনভেন্সন ঙসি জিলা অসিগী খৃষ্টান ভিলেজতা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এম.দি. ফিরোজ খাননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: জোইসন মেথিয়ু মোনশাংসু শরুক য়াখি। চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা ক্লস্তরশিংগী মখাদা লৈবা আশা ৱাকরশিংনা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ অমদি অখন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। তুংদা, শ্রী মেথিয়ুনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা আশা ৱাকরশিংদা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুম খি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাদা অনিশুবা রাউন্দগী নেসনেল দিৱার্মিং ডে ঙসি জিলা অসিগী খৃষ্টান গরমার স্কুলদা হৌদোকখ্রে। থোরম অদুদা জিল অসিগী জেট.ই.ও-এন. অবোনপৌ খৃষ্টতোফরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়-থৌরম অসি ভারত পুম্বদা পাঙথোক্লি। মসি অঙাংশিংবু তিল লৈহন্দনবা অমদি মশা-মউ ফবা নাদ-য়েক্তনা লৈহন্নবনি। তিল লৈরবদি অঙাংশিং মশা শোনবতা নত্তনা চাউজিলশু থিহল্লি। মহাকা হায়-স্কুল অঙাংশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা ডাক্তর অমসুং ওজাগী পাউতাক ইন্নগদবনি। থৌরম অদুদা তমেংলোং জিলাগী সি.এম.ও. ডা: জি. মজাচুংলু অমদি চাইল্ড হেলথ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: জি. গোনমৈসু শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কন্মিসন ফোর ৱিমেনগী মীৎয়েং মখাদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা শিনদুনা সোফ স্কিলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা দি.এস.এস.এসকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কন্মিসনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিংনিংফম মোনশাংনা হায়-লুচিংবা অমা ওইবা হায়বসি স্কুলদা খক্তা তন্বা য়াবা নত্তে। মসি মীওইবা অমদা য়াওজরকপা পীথোরকপা মশাগী মগুননি। মহাকা হায়-ভারতকী সংবিধাননা নুপীশিংবু ঙাক শেন্নবা আইন কয়া শেম্লি। আইনশিং অসি ঐখোয় পুন্না খঙমীন্নদুনা মাংজিল থাবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনসি।

**কোকোমি (এল)ঃ** আদি কর্মা য়োগী অভিয়ানগী মখাদা কামজোং জিলাদা লৈবা খুল ২৬ কী ভিলেজ ভিজন ২০৩০ অমসুং ভিলেজ এক্সন প্লান শেম্বা লোয়শিনখ্রে।

প্লান্নিং এক্সরসাইজ অসি ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার য়াওনা ব্লোক নোদেল ওফিসার মাস্তর ত্রেন্নর, লাইন দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারিশিং অমসুং য়ু.দি.সি.আর.এম.এস.টিগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকপা মীফমদা অরোইবা ৱারেপ লৌখিবনি। কামজোংগী এ.দি.সি-ঐচ.এল. জৈননা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হৌজিক হৌজিক জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা খুঙ্গং ২৬ অসিগী লৈরিবা অৱাৎ অপা অমদি মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** শিল্লোংগী রাজবারি ৱাথোক্কী মতাংদা কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংদা মখোয়না লাউথোকখিবা ৱাফমশিং য়াওবা চেরোল অমা পীশিনদুনা তকশিনখ্রে।

**ঈ (এল)ঃ** লাইফ সেবর মনিপুরনা লমদেং অপুনবা নহারোল অমদি আরুসিগা

খুৎশমদুনা ঙসি জেনিমসকী ব্লড সেন্টরদা ঈ দান তৌখ্রে।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোয়খ্রে। মথং থাগী তরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা  অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অসিগী পাটনা, দরভঙ্গা, মুজাফরপুর, গোপালগঞ্জ অমদি ভোজপুর জিলাশিংগা মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্রশিং য়াওরি।

অহানবা তাঙ্কক্কী অসিগী মীরেপ চেশিং স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্লগনি অমসুং মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২০ দনি। বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী নবেম্বর ১১ দা পাঙথোক্কনি অমসুং ভোট মশিং পুন্না নবেম্বর ১৪ দা থিগনি।

**বঙ্গলাদেস** ঃ বঙ্গলাদেসকী কোনুং ধাকাদা লৈবা সংসদ মমাংদা মীয়ামনা খোঙজং চংশিল্লকপদগী পুলিসতা অকনবা মওংদা মুকখ্রে।

হন্দক্তা জলাইদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখিবা অমদি লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুং য়াওনা মীয়ামনা তোঙান তোঙনাবা দাবী কয়া তকশিল্লদুনা খোঙজং চংশিল্লকখি। মখোয়না লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সহি তৌনগদৌরিবা জলাই নেসনেল চাটর অসিদা খোঙজংদা লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবা মীওইশিংবু হেরোনি হায়না শকখঙগদবনি অমদি মখোয়দা তোঙান তোঙানবা মখলগী তেংবাংশিং পীগদবনি হায়বা ৱাফমশিং তকশিনখি।

অমরোমদা,  বঙ্গলাদেসকী ইন্টরনেসনেল ক্রাইম ত্রাইব্যুনেলগী চীফ প্রোজিক্যুটরনা হান্নগী লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হাসিনা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-আশা দুজমান খান কমল অনিবু শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না পুখৎলকখ্রে। মীওই অহুমনা শাবা ত্রাইব্যুনেলগী বেঞ্চ অসিদা চীফ প্রোজিক্যুটর-তাজল ইস্লামনা লৈবাক অসিগী লুচিংবা অনি অসিগী থৌশিলনা মরম ওইদুনা জলাইদা

থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওইবদা চৎহৈদবা লীচৎশিং চৎখি হায়না মরাল শিখি।

**ওরামঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জোয়েল অরামনা হায়রি-আদি কর্মা যোগী অভিয়ানননা লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল খুঙ্গং লাখ অমদা অওনবা পুরক বগীদমক লুচিংবা ওইনা মীওই লাখ ২০ দা ত্রেন্নিং পীনবা পান্দম থল্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা নেসনেল কনক্লেপ ওন আদি কর্মা যোগী অভিয়ানদা ৱা ঙংবদা ৱাফম অসি মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। কনক্লেপ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, ত্রাইবেল মীয়ামদা মহৈ মশিং, স্কিল দিবলপমেন্ট, হেলথ এন্দ ন্যুত্রিসন, লাইফলিহুদ এন্দ ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা খুদোংচাবা কয়া পীননবনি।

**শিবরাজঃ** লৈবাক শিন থুংবদা লৈরিবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) শিং হেন্না মতিং লৈহন্নবা অমসুং শক্তি লৈহন্নবা পান্বৈশিং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা শ্রী চৌহাননা হায়-হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা কে.ভি.কে. ৭৩১ লৈ। মসিগী নেটৱার্ক চাউথোকহনবদা অপিকপা লৌমীশিংবু কানহন্নবা মখোয়বু হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা তঙাইফদে।

মন্ত্রিনা হায়-কে.ভি.কেশিং অসিনা লৌমীশিংগা শমহনবা, টেকোলোজি পীবা, ত্রেন্নিং অমসুং লৌউ শিংউগী লমদা অওনবা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মন্ত্রিনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচরেল রিছার্সতা কে.ভি.কেশিং অসিদা শেলগী মতেং, হ্যুমেন রিছোর্স অমসুং টেকিকেল রিছোর্স মতিক চানা পীনবা খঙহনখি।

**এরেষ্ট** ঃ লুপা কোতি মঙা, শেঞ্জা থুমজা তৌবগী কেসতা পঞ্জাবকী সেনিয়ার

আই.পি.এস. ওফিসার অমা সি.বি.আইনা ফাখ্রে।

সি.বি.আইনা শেল ওইনা লুপা কোতি মঙা হেন্না অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমদগী চিংননিংঙাই ওইবা চে-চাং কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা সনাগী লিক-কোল কিলোগ্রাম অমা মখায় য়াওরি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এফ.সি-সুগ্‌না এস.দি.ও. পল্লেনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.সি. ককচিংনা পি.এফ.সি. তোকপা চিংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** চান্দিগরদা চথরিবা ক্রিকেটকী ভিনু মনকর ত্রোফি ২০২৫-২৬ তা মনিপুরগী নুপাগী অন্দর নাইন্তিন টিম ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মনিপুরনা নাগালেন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

থা অসিগী ১৯ দা মনিপুরগী টিম অমসুং সিক্কিম ফাইনেল শান্নরগনি।

**খেল্লোঃ** মঙাসুবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিতি গেমস লাক্লিবা নবেম্বর ২৪ দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা রাজস্থানগী সহর ৭ তা পাঙথোক্লগনি।

গেমস অসিদা মেদলগী মশান্না ২৩ অমসুং দেমোন্সত্রেসন ওইনা খো খো উৎকনি। গেমস অসিদা লৈবাক্কী মফম পুমমক্তগী য়ুনিভর্সিতি থাক্কী শান্নরোই লিশিং ৫ হেনবনা শরুক য়াগনি।

**ফুটবোল ঃ** মেঘালয়গী কোনুং শিল্লোংদা থা অসিদা লৈবাক অহুমগী ফুটবোল তুরনামেন্ট অমা পাঙথোকবা শেম শারি। জে.এন. ষ্টেদিয়মদা শান্নগদবা তুরনামেন্ট অসিদা ভারত, ইরান অমসুং নেপালগী সেনিয়র নুপী টিমশিং শরুক য়াগনি।

ভারতকা ইরানগা ওক্তোবর ২১ দা, নেপালগা ইরানগা ওক্তোবর ২৪ দা অমসুং ওক্তোবর ২৭ তা ভারতকা নেপালগা শান্নগনি।